# আই-লিগ ২ঃ নেরোকা ফুটবোল ক্লব অমসুং দেল্লি ফুটবোল ক্লব দ্রো চৎখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচ এন এস):**
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা টিম ৯না শরুক য়ারগা ঙরাংদগী হৌদুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চত্থরিবা আই লিগ-২গী ২০২৫-২৬ সিজনগী ঙসি শান্নখিবা হোম গ্রাউন্দগী মেটচতা নেরোকা এফ সী অমসুং দেল্লি এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌরগা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা লিগ অসিগী ওইনা ৩ শুবা মেটচ অদুগা নেরোকা এফ সীগীনা অহানবা হোম গ্রাউন্দগী মেটচতা দেল্লি এফ সীগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ত্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

নাকল অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অহানবা হাফতা দেল্লি এফ সীগী মায়কৈদগী কোর্নর কিক কাওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। দেল্লি এফ সীদা মিদ ফিল্ডর ওইনা শান্নরিবা মণিপুরদগী সেমসং কৈশিংনা কোর্নর কিক অদু কাওরকখি। মহাক্না কাওরকখিবা বোল অদু টিম অদুগী দিফেন্দর শান্নরোয় নিরজ ভন্দারিনা নীংথিজনা কন্ত্রোল তৌরগা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দেল্লি এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা দেল্লি এফ সীগী শান্নরোয়শিংদগী বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল অদু হন্দে দাকপা ঙম্নবা মখোয়গী হৈজবশিং মপুং ফানা উত্থোক্তুনা শান্নখি। দেল্লি এফ সীগী গোল কিপরনা নেরোকানা চত্থরকখিবা এটেকশিং অরেম্বদা তাহনখি। দেল্লি এফ সীগী গোল কিপরনা নেরোকা এফ সীনা কাওশিল্লকখিবা বোলশিং নীংথিজনা ঙাকথোকপগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবা বোলশিং ফজনা ফাদুনা পাঞ্জল ওন্থোকহনখিদে।

ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চন্নবগীদমক নেরোকা এফ সীনা দেল্লি এফ সীগী মায়কৈদা মখল মখা কয়াগী লাল্লোংশিং চত্থখি। মদুগী মহয়না মেটচ অদুগী ৬১ শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী মিদফিল্ডর শান্নরোয় লৈমপোকপম সিবাজিৎনা রাইট ফ্লেঙ্কতগী কাওরকখিবা ফ্রী কিক অমা ফোরৱার্দ শান্নরোয় ফিজম সনাথোই মৈতৈনা ওক্লবা মতুং পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নেরোকা এফ সীনা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক দেল্লি এফ সীগী মায়োক্তা অকনবা এটেকশিং চত্থদুনা শান্নরবসু লাইবক লৈতবদগী মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। নাকল অমরোমদা, গোৱাগী ফটোরদা ষ্টেদিয়মদা ৪ শুবা লিগ মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ তাবদগী হৌরগা স্পোর্টিং ক্লব দে গোৱা অমদি য়ুনাইটেদ স্পোর্টক্লবকা লম্বা তৌনবা হৌখ্রে। নেরোকা এফ সীগী মখা তাবা ২ শুবা হোম গ্রাউন্দ মেটচ অপ্রিল ৩দা শান্নরগনি।

# ষ্টেট লেভেল ফ্লোর কর্লিং কোচিং কেম্প এন্দ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬ হৌদোকখ্রে

**থৌবাল, মার্চ ২৮ (ঐচ এন এস):**
এমেচর কর্লিং এসোসিএশন ওফ সনালৈবাক (এ সী এ এস)না শীন্দুনা অহানবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র ষ্টেট লেভেল ফ্লোর কর্লিং কোচিং কেম্প অমসুং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬ ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়াইরিপোক তুলিহল মল্টিপরপজ কম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে।



নুমিৎ হুম্না চুপ্পা চত্থগদবা চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকপগী থৌরমদা এমেজর কর্লিং এসোসিএশন ওফ সনালৈবাককী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম পি সী সীগী ত্রেজরর ফজুর রহিম, ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ রামেশ্বর, ৭ মদ্রাজ রেজিমেন্ট অন্দ্রো আর্মি কেম্পকী আর্মি ওফিসর লেফটিনেন্ট কর্নেল হরি নরায়ন পাল, মোরে কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মুহম্মদ অজমল, কংলৈ শান্নপুং তুলিহলগী প্রোপ্রাইটর এম দি ৱহিদুর, সোসল ৱার্কর এম দি অজমির অমদি ৱাইল্ড ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর এম দি ৱহিদুরনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুরগী ওইনদি অনৌবা মখল অমা ওইরিবা মশান্না অসি ঐখোয় পুম্বনা য়োকখৎমীন্নসি। মশান্না অসিদা ইরমদম অসিগী শান্নরোয়শিংসু নেশনল লেভেল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক য়ৌনা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনমীন্নসি হায়না মীথুংলেন ওইখিবশিংনা অপিল তৌখি।

সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র কেটাগরি অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, তেংনৌপল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী পুন্না নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ৮৮না শরুক য়ারি।

## এন ৱাই পি সীনা তকৱা থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা মীনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরক্লিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা এন ৱাই পী সীনা তকৱা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি ঐচ এস এস সী সী তেকচমনা এম এম এফ এ হৈরোক মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ৬ শুবা লিগ মেটচতা তকৱা অমসুং এন ৱাই পী সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এন ৱাই পি সীগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখি। এন ৱাই পি সীগী পাঞ্জলশিং অদু থানিল, মহেস অমদি ধিরাজনা অমমম চনখিবনি।

অমরোমদা, ৭ শুবা মেটচ ওইনা এম এম এফ এ অমদি টি ঐচ এস এস সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী টি ঐচ এস এস সী সীনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাকখি।

FR. AGNEL
SCHOOL HOSTEL NOIDA, NCR
Did you always want your child to study in a prestigious school in India's National Capital Region, for a secure career in life?
FR. AGNEL SCHOOL, SECTOR 62, NOIDA, NCR
offers AIR CONDITIONED HOSTEL ACCOMODATION
www.fasnoida.org/hostel for (Boys & Girls) from Class VI TO X under the care of Wardens and excellent Mess Facilities.
The Hostel welcomes serious Students who want to pursue their career under professional Educators, in a Homely environment with technology Integrated Classrooms, Play fields, and facilities for Sports and Cultural growth.
(Science and Commerce students will be admitted only after clearing the entrance test)
Apply by March 25, 2026 for the 2026-27 Session
Ph./ Whatsapp: 8130999836,
Email: fragnelhostel@gmail.com
HL-B/11256/29

# শান্নরোয় ৪৮না শরুক য়াদুনা থাঙ-তা চাংদম্নখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচ এন এস):**
থাঙ-তা লোয়শঙ সনাকোনুংগা খুৎশম্নরগা নৈনশঙ অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া-এস টি সী ইম্ফাল অনীনা শীন্দুনা সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা ঙসিদগী থাঙ-তা চাংদম্নবা ২০২৬ হৌনবি মতুংইন্না হৌদোকখ্রে।


নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থাঙ-তা চাংদম্নবা ২০২৬তা থাঙ-তা নুপী শান্নরোয় ১৭ অমদি নুপা ৩৫ পুন্না শান্নরোয় ৪৮না শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন চাংদম্নগনি। থাঙ-তা চাংদম্নবা হৌদোকপগী থৌরমদা সনা কোনুং মণিপুরগী অঙোম নিংথৌ অঙোম পোইরৈতোন, নৈনশঙগী প্রসিদেন্ট চিরোম বাবুল অমদি আর্টস এন্দ কলচর মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর জি ধর্মদাসনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা থাঙ-তানা পীরিবা কান্নবা কয়াগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফমশিং থমখি।

PENSION LOAN
LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS:
Office Asst., Car Driver, Security, 2 Wheeler Mechanic & Gr-IV

L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI
CONTACT No.:- 9362775475
HL-B/11160/02 Feb.-06 Apr.( Alt)
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR

रा.इ.सू.प्रौ.सं
NIELIT
IMPHAL
NATIONAL INSTITUTE OF ELECTRONICS & INFORMATION TECHNOLOGY (NIELIT), IMPHAL
Under MeitY, Government of India
(Deemed to be University under Distinct Category)
NIELIT Imphal, Akampat - 795001
ADMISSION (2026-27)
REGISTRATION OPEN FOR
1. M.Tech (AI ) - 2 Years
2. MSc (IT) - 2 Years
3. MSc (Bioinformatics) - 2 Years
4. MCA - 2 Years
5. PGDCA - 1 Year
6. BCA - 4 Years
7. BSc (Computer Science) - 4 Years
8. Diploma Engineering - 3 Years
• Diploma in Computer Science & Engineering (DCSE)
• Diploma in Electronics & Communication Engineering (DECE)
Tuition Fee
Free for SC & ST
* Last date for regd. sl.no. 1 - 5 : 12th June, 2026
* Last date for regd. sl.no. 6 - 8 : 18th April, 2026
Registration Opening soon for
B. Tech (AI & ML) - Computer Science and Engineering (Artificial Intelligence and Machine Learning)
Phone Number 8132062261/7005106072
Register Now https://nielit.ac.in
HL-P/0530/29

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1772**

**Marcel Kyas (1978) - Colin Wierum (1905)**
**Niedersachsen-ch Verden (2), 2008.01.03**

1.e4 g6 2.d4 Bg7 3.Nc3 c5 4.Be3 cxd4 5.Bxd4 e5
6.Bc5 Nf6 7.Qd6 Nc6 8.Nb5 Bf8 9. ...

**QUESTION : White to checkmate**

**Puzzle 1771 Solution :**

**25. Qxh5+** *The white queen decoys Black's king. The white queen deflects Black's king away from protecting the knight.* **Kxh5 26. Rxf5+** *Intermediate check The white rook captures Black's knight, which was defending Black's queen.* **26...Kg6**
*26...Qg5 27.Rxg5#*
**27. Rg5+** *The white rook skewers Black's king and queen. Intermediate check* **27. ...Kxf7**
*27...Kh7 28.Rxg7#*
**28. Rxg7#**
**1-0**



Title : Scenery
By : Nepram Girija Chanu
Class : V Roll No. : 29 Sec. : D
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Fruits
By : Rahat Raniya
Class : II Roll No. : 40 Sec. D
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Khamba Thoibi
By : Seram Shishumita Devi
Class : III Roll No. : 1 Sec : C
School : Standard Robarh Hr. Sec. School



Title : Krishna Thakur
By : Sinthoilembi Huidrom
Class : I Roll No. : 44 Sec. : A
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Wangthoibi
Class : IV Roll No. : 32 Sec. : D
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Butterflies
By : Yengkhom Princiya Chanu
Class : I Roll No. : 55 Sec. : B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Playground
By : Meerennganbi Khaidem
Class : II Roll No. : Sec.
School : Regular English High School



Title : A Girl
By : Ridhima Thoudam
Class : IV Roll No. : 5 Sec :
School : Scholar's Academy




Title : Mushrooms
By : Moirangthem Leishemba Meetei
Class : IV Roll No. : 37 Sec. : Daffodil
School : SL Arena of Learning



Title : Goko
By : Lemba Khumukcham
Class : II Roll No. : 7 Sec. :
School : The Rising Sun English School



Title : Scenery
By : Gunchenbi Ningthoujam
Class : I Roll No. : 1 Sec :
School : Royal Educational Institute



Title : Pencial Box
By : Thoithoiba Moirangthem
Class : III Roll No. : 35 Sec : B
School : RKMS



Title : Little House
By : Jhanchi Lisham
Class : I Roll No. : 20 Sec : C
School : LFS



Title : Water for life
By : Ahenba Mayengbam
Class : V Roll No. : 14 Sec : D
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Johnson Oinam
Class : V Roll No. : 3 Sec :
School : Laishram Deva Singh High School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com